# ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই...

*লমায় ১গী মখা...* তৌবীগনু হায়না ক্নকৈথেলদা লৈবা মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন (এম দি এ) গী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ক্ষেত্রিময়ূম সঞ্জয়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিবু অকনবা মওংদা য়ানীংদে হায়খি।

মহাক্না হায়, অসিগুম্বা থৌদোক থোরকপা মতমদা দ্রাইভরশিংবু নাইতোম তাহনবগী ফীভমদা লৈহনবা নুংঙাইতে। দ্রাইভরশিংদা নোংমৈ কাপশিনবা, ফূবি চৈবীবগী থবক থৌওংশিং ঙসিগীসিনা অহানবা নত্তে অমসুং অরোইবসু ওইগনি থাজদে। দ্রাইভরশিংদা চথুবা পামদবা থৌদোকশিং এম দি এনা হান্নদগী হৌনা মরী লৈনবশিংদা থোকহনবীদনবা হায়জদুনা লাকখিবনি। হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসিগা মরী লৈননা মতম কুইনা গাড়ী চেনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ তাল্লক্তা লম্বীসিদা হায়ৰে প্রোটেক্সন ফোর্স থম্বীনবা অমদি গাড়ীশিংগী মরক্তা এম্বুলেন্স/মেদিকেল টিম য়াওহনবীনবা গভর্ণর অমদি সিক্যুরিটি এদভাইজরদসু হায়জদুনা লাকপনি অদুবু হায়জখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবনা ঙসিদি লম্বীসিদা ওইল টেঙ্কর ৪ অমদি বুলেট টেঙ্কর অমদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা দ্রাইভর অনী অশোক অপন নংলে।

থৌওং অসি এম দি এনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়রদুনা হায়ৰেসিদা খূৎলায় পায়বশিং ওইগেরা নৎত্রগা লমহেন তুহেনবশিংনা দ্রাইভরশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি পেন্দে। থৌদোক অসিগী মতাংদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। দ্রাইভরশিংনা পুরক্লিবা পোৎ চৈশিং অসি মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্কীনি। দ্রাইভরশিংনা মশাগী ইন্টরেষ্টতা পুরকপা নত্তে। করিগুম্বা দ্রাইভরশিংদা য়াম্না তোয়না ওৎ নৈবগী থৌওং চথুরক্লবদি ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদা ৰাগদৌরিবা অসি লমদম অসিগী মীয়ামনি হায়বসি এম দি এনা খঙই। অদুবু তঙাইফদনা খোঙজং অসি চঙশিল্লক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মরম অসিনা অথুবা মতমদা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অথুবা মতমদা ঙসিগী থৌদোক অসিনা মরম ওইদুনা লম্বীদা পল্লিবা গাড়ীশিং ইম্ফালদা পুরক্লবা লৈঙাক্না থবক পায়খৎকদবনি হায়খি।

# লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবা খূৎ ...

*লমায় ১গী মখা...* হান্ননা ঙাইদুনা লৈরম্বা কুকি মিলিটেন্টশিংনা গাড়ীশিং অসিবু নমদুনা খাল্লগা নোংমৈ মৰূ কয়া কাপশিল্লকখিবনি।

থৌদোক অসিদা গ্যাস বুলেট ত্রক্কী দ্রাইভর কান্টোদগী রামেস মীৎ অমদি নাকোংদা শোকখি। মহাক্না থৌরকপা গ্যাস বুলেট টেঙ্করদা নোংমৈ মৰূনা পান্দুনা হোবদগী গ্যাস লিক ওইরকখি। অতোপ্পা শোক্লবা দ্রাইভর অদুগী মমিংনা ইরং পার্ট-টুদগী তুলরাম নগর কৌই, মহাক্কী য়েৎ থংবা খোঙগী খুনীংগী শরুকশিং নোংমৈ মৰূনা পান্দুনা পুমতোই তোইবগা লোয়ননা ফকখ্রে হায়রি।

মহাক্না থৌরকপা দিজল টেঙ্কর অদু য়াওনা অতোপ্পা ওইল টেঙ্কর অমদসু নোংমৈ মৰূ কয়া পানবদগী থাওশিং লম্বীদা কাপথোরকখি অদুগা কুকি মিলিটেন্টশিংগী এটেক অসিদা টেঙ্কর অহুমগী টায়রশিং, টেঙ্কি অমদি বোদিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা নোংমৈ মৰূ কয়া পান্দুনা অকায় অতোয় থোকখি।

শোক্লবা দ্রাইভর অনী অদু সী আর পি এফ কেম্প অমদি নুঙবাগী সী ঐচ সীদা লায়কন্নরবা মতুং হেলিকোপ্টরদা ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা পুরক্লগা মখা তানা এদভান্স হোস্পিটালদা লায়কন্নখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফংবা পাউনা হায়বদা জিরিবামদা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী এস্কোর্ট পর্সনেলশিং ঙাইদুনা লৈরকপা তোঙান তোঙানবা পোৎ চৈশিং পুবা ত্রক ১০৯ য়াওনা ঙসি এল পি জি বুলেট ত্রক অমসুং ওইল টেঙ্কর ১০৫ অমদি অনৌবা পোৎ চৈশিং থন্না হাপ্লবা ত্রক ৮৫গা পূন্না ইম্ফাল তম্না সী আর পি এফনা ঙাক শেন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা মফম অদুদা পুলিস, এ আর চঙশিল্লক্তুনা তোলেন কুকি খুল অমসুং কাইমাইগী মফম খরদা খূৎশম্নদুনা থি-হুম্বগী থবক চথুখি অদুবু মখোয় য়ৌরক্ত্রিঙৈদা কুকি মিলিটেন্টশিং অদুদি মফম অদু থাদোক্লগা চীং লম্বীদা চৎখিবনা মীফা মীপূন অমত্তা লৈখিদে হায়রি।

থৌদোক অসিদা নোংমৈ মৰূনা পানবদগী য়ুরকপা থাওশিং মনাক নকপদা লৈবা খুঞ্জাশিংনা সিন্টেক্স ফাওবা পুথোরক্তুনা য়াখি। গ্যাস য়ুরকখিবা বুলেট ত্রক অদুগীনা নোংমৈ মৰূনা পানবগী অহোবা মখুল অদু মেনশিল্লবা মতুংদা অতৈ ত্রকশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল তম্না পুথোরকখ্রে হায়রি।

# অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অদুবু...

*লমায় ১গী মখা...*এন বিরেনগা হকথেংননা উনখি।

চীফ মিনিষ্টরগা উনরুরবা মতুংদা মহাক্না পাউমীশিংদা হায়, ইম্ফাল জি রিবাম লম্বীদা থাও অমদি গ্যাস পুশিল্লকপা গাড়ীশিংদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌওং য়ানীংদে। গাড়ী দ্রাইভরশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক থোকহল্লিবা অসিনা মীয়াম্না থাও অমদি গ্যাসনচিংবা ফংদবগী অৰাবা করিসু লৈরোই। হৌজিক মালোমগী ওইল দিপোদা থাও মরাং কায়না লৈরি। মীয়াম্না মীপাইদুনা ওইল পম্পশিংদগী থাও হেন্না লৌশিনবা তৌবীগনু। থাও অমসুং গ্যাস অনীমক মৈ হৌগনবা পোৎশিং ওইবনা মফম চানা চেকশিন্না থম্বীয়ু হায়খি।

চৈরকসিদা, ঙসিগী থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা ওইল টেঙ্কর অমসুং গ্যাস বুলেট ত্রকশিংনা মহৌশাগুম্না মপান্দগী থাও অমদি গ্যাস পুশিনবগী থবক লেপখ্রগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লবা মীয়াম্না ইম্ফাল অমসুং তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈবা ওইল পম্পশিংদা থোমজিন্নরক্তুনা থাও হালহৌনবা হোৎনখি।

# খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মফম...

*লমায় ১গী মখা...* মণিপুর লৈঙাক্না থাদ্রিবসি হৌজিক্তি থাবীরো। রেকমেন্দেসন থাহৌদ্রবদি মীতৈশিং মাঙখ্রগনি হায়বসি খন্থবীয়ু। ফূরুপ অসি কন্নবগীদমক্তা রেকমেন্দেসন থাহৌদ্রবদি মীতৈ/মৈতৈবু হেন্না অৰাবগী ঈপাক্তা লৈহৌরগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংনা চীফ মিনিষ্টর ওইরিঙৈদগী হৌনা দিমান্দ অসিগী মতাংদা নৈনদুনা লাক্লবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা চন্দবনিনা ফূরুপ অসি লুপখিগদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোক্লে। অমিট শাহ লাক্লম্বদুদা দিমান্দ অসিগী মতাংদা হায়বীরমগদ্রা হায়বগী থাজবা থল্লম্বদুসু ওন্ন-তৈননা থোকখ্রে। মরম অসিনা থাফম থোকপা রেকমেন্দেসন অনীমক অথুবা মতমদা থাবীয়ু। দিলিমিটেসন তৌরকপা মতমদা ফূরুপ অসিনা এস টি লিষ্টতা চলহৌদ্রবদি হেন্না অৰাবা মায়োক্লগনি হায়খি।

দিমান্দ অসিবু তাল্লদুনা লল্লোং কৈথেলদসু কৈথেল অসিগী পোৎফম ফম্বী অপূনবা নুপী লূপকী প্রিসিদেন্ট আর কে ধনবতি অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ৰাহেংবম ইবেচৌবীনা লুচিংদুনা ৰর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী ৰিমেন ফ্রন্ট অমসুং কাউন্সিল অসিগী অরাম্বম সাজননা লুচিংবা য়ুনিটনা খূৎশম্নদুনা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা খোল্লাওশিং লাউখি।

ঙসিগী খোঙজং অসিমক কৈশামথোং কৈথেল, শীংজমৈ ইমা কৈথেল, ৰাংজিং লমদিং অপূনবা কৈথেল ফম্বী, লমশাং কৈথেল, অখাম, ময়াং লাংজিং, ফুমলৌ, হৈবোংপোকপী, ফয়েং, ক্নাক সিফাই অমসুং মোইরাং লমখাইনচিংবা মফমশিংদসু চঙশিনখি।

তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চঙশিনখিবা খোঙজংদা লাউখিবা খোল্লাওশিংগী মনুংদা ফূরুপ অসিনা এস টি লিষ্টতা চলহনবগী থবক থিন্থহল্লিবসি লিষ্ট অসিদা চলহল্লোই হায়বনি। এম এল এ পুন্নমক্না শৌগৎলগা চীফ মিনিষ্টর বিরেননা মহাক্কী চৌক্রিগীদমক য়েংদুনা থবক তৌদ্রে। চীফ মিনিষ্টরনা মহাক্কী লন্নাই অপাম্বগীদমক ঐখোয়গী তুংগী মীরোল কমপ্রোমাইজ তৌবা ঙল্লোই। মীখল মমাঙদা রেকমেন্দেসন অনী থাবীয়ু। কুমজা ২০২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা দিলিমিটেসনদগী কলহৌনবা পাম্বেদি এস টি খক্তনি। এন আর সী/আই এল পি চৎনহনবা, বোর্দর শম্বল খাবনা মীতৈ কনবা ঙল্লোই। মীতৈ কনগদবদি এস টি খক্তনি। মীতৈনা হিংজগে হায়বদা কন্সেন্সস লৈতে হায়দুনা হাৎতোক্লগেরা হায়বা য়াওনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীতৈগী সর্ভাইভেলগা মহাক্কী পোলিটিকেল সর্ভাইভেলগা ওন্নবা যাৱ্রা হায়বা য়াওনা ঐখোয়গী লাইবকপু অতোপ্পা ফূরুপ্না লেপ্পা যাৱ্রা হায়বা খোল্লাওসু লাউখি।

## ৰাংজিংদা এস টিগী খোঙজং

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস):** ৰর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়দুনা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মখা তারকপদা ঙসি ৰাংজিং লমদিং কৈথেলদা খোঙজং চঙশিন্দুনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাও কয়া লাউখ্রে। খোল্লাওশিংগী মনুংদা মীতৈগী লাইবক অতোপ্পা ফূরুপ্না লেপ্পা য়ারোই হায়খি।

# কুম্বী খুগা ৰাংমদা ডা. বিমোল অকোইজমগী ইলেক্সন মীটিং...

*লমায় ১গী মখা...*ওইখিবা ডা. কে ঐচ রোমেস য়াওনা কুম্বী ব্লোক কোংগ্রেস কন্মিটিগী মরু ওইবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখিবনি।

মীফম অসিদা ও ইবোবীনা হায়, হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাক্না অফবা থবক কয়া তৌরম্বশিং অদুদি অমত্তা পনবগী মহুত্তা কোংগ্রেসতা জাৎ-জাৎ পংহায়দা হায়জিন্দুনা অমসুং মরাল শীজিন্দুনা মফম খুদিংমক্তা চথুরক্লিবা থৌওং অসি মীয়াম্না হেন্না নোক্লিংলমগনি হায়বসি বি জে পিনা খঙদ্রিবসি ইকায়নীংঙাইনি হায়খি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টসু ওইরমখিবা হান্নগী এম এল এ, এন লোকেননা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা মীফম অসিসু পাঙথোকপা য়ারোই হায়না কিহল্লম্বদা নত্তনা ৰা ঙাঙলিঙৈদসু নোংমৈ কাপ্পগী মখোল মীয়াম্না তারিবসিনি অদুবু মসিদা ঐখোয়না কিগদবা নত্তে। মসিগী লমন মীখল অসিনা চপ চানা পাউখুম পীরসি হায়খি।

মীরেপ ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা হায়, ইমা লৈবাক্কীদমক্তা করিগুম্বা থবক থৌরম খরা তৌগে হায়দুনা পোলিটিক্সতা চঙলকপনি। মীয়াম্না সপোর্ট তৌবীরগা অমুক্তংদি এম পি অমা ওইরগা লৈবাক্কীদমক কদাই ফাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বদু উৎলমগে হায়খি।

মীখল অসিদা পূক্লিংদা অকিবা-তুজুংবা পোকপীগনু। নুপীলাল নুমিৎতা মীয়াম্না লৈ কৎপগী ৰাহন্থোক খঙবীয়ু। খোংজোম লানগীদমক লৈ কৎপা অমসুং জুন ১৮দা লৈ কৎলিবদু থম্মোয় শেংনা কৎপা ওইরবদি হন্দক্কী মতাংসিদা ইমা ইবেল, অহল লমনশিংনা বূঠ-বূঠকীদমক লেপ্পগা ঈংনা চিক্লা মানা মানা পাম্বা মীরেপ্তা ভোট থাদহনগদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী নোংমৈ কাপ্পম্বা থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুংইন্নদি থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ২.২৫ রোম তারকপদা কুম্বী থোং মনাক্কী কুম্বী ৰাপোকপী ইন্টর ভিলেজ রোদকী ক্রোসিং অমগী মনাক্তা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী পাউ তাবগা মোইরাংগী এস দি পি ও, কুম্বী পি এসকী ও সী অমসুং বিষ্ণুপুর কম্মান্দোগী টিম অমা চঙশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্পল্লিবা মীওইশিং অদুগী খোঙ্গুল লীখি। মফম অদুদা থি-হুম্বগী থবক চথুবদা মফম অদুদা এম্পটি কেস অমা ফংখি। লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা আই পি সী সেক্সন ৫০৬, ৩৪ অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন ২৫ (১-সী) গী মখাদা সু মোটোদা কেস এফ আই আর নম্বর ২১(৪)২০২৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে হায়রি।

# খুলদা ভোট খোম্বা চঙলকপা য়ারোই...

*লমায় ১গী মখা...* নোংমৈ কাপ্পদুনা মীশি-মীনা মায়োক্লন্দুনা লাক্লগা হৌজিক ইলেক্সন লাকপদনা তূমিন-তূমিন লৈবগুম তৌরিবসিদা লান অসি কনাগী খূৎ য়াওই হায়বদু ময়েক শেংবগুম তৌরে। ঐখোয়গী খুলগী ওইনা হৌজিক ইলেক্সন কেম্প্যেন লাকপা য়ারোই। ভোট খোম্বা চঙলকপা য়ারোই। চীংজিনগী ৰাংমদা পানা ৭/৮ লৈ। মসিগী মনুংদা ভোটকা মরী লৈননা কনামত্তা লাকপা য়ারোই। পোষ্টর ফাওবা থেৎপা য়ারোই। ভোটকী ওইনদি নুমিৎতুদা মশা-মশানা অপাম্বা মীদা থাদগনি। ভোটকীদমক লাঙবা য়ারোই। খুল অসিগী মীয়াম অদুক্কী মতিক পেন্নরক্ত্রিবনি। মসিদা উশিৎ থৌওইদনা ভোট খোম্বা লাক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী তেকচাক মশা মশানা পুজগদবনি। ইলেক্সন মমাঙদা লান অসি লোইশিন্নবা খন্নবীরম্লবদি য়াম্না নুংঙাইগদবনি অদুবু লোইশিন্দ্রবনিনা ইলেক্সন য়াওনীংদে হায়রকখি।

**এ সী অসিগী উয়ুম্পোক মনীং লৈকায় ৱার্দ নম্বর ৭তগী ভোটর অমনা হায় :** কেন্দিদেটশিংসিদি পেত্রিয়ার্কেল সোসাইটিদা চৎনরিবা মেত্রিমোনিএলগা চপ মান্নে। লুহোংলবা মতুংদা নুপা অদুগী য়ুমগী চৎন-কাঙলোন্দা অদুম য়ানবা চৎখি হায়বদি ইমা লৈবাক নুংশিরবসু কাখ্রবা মতুংদা অদুমক পার্টি অমদি মখোয়গী চৎন-কাঙলোন্দা অদুমক তৌরক্কনি হায়না মমিং মথা ফোঙদোক্লিংদবা ভোটর অসিনা ফোঙদোরকখি।

চহী ফারক্লবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাংসিনা মরম ওইরগা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা ঐখোয়দা কেন্দিদেট খুদিংমক অমদি পাল্লিবা লৈঙাক্লসু নোংমতা করি ৰাৎলি, করি চারি-থক্লি হায়বা ফাওবা হংবীরদে। মশা লাক্ত্রবা ফাওবদা ফোনদা ওইরবসু হায়রক্তে। থৌওং অসি য়াম্না পেন্দে হায়রদুনা উয়ুম্পোক্তা লৈরিবা মীয়াম অয়াম্বনা নোংমগী শূরগা চাজবা ঙাক্তনি অদুবু লান অসিনা মরম ওইরগা শূবা নোম্বা লোইনা তোক্লবনিনা ফীভম ফজনা শোক্লে হায়রকখি।

ঈরাং অমদি লান কনবা মতমদা নোংমতা অৰাৎ অপা অমদি অশি অনা হংবা লাকখিদবনিনা ইলেক্সন মতমদসু লাকপীগনু। অদুম ওইনমক ভোটতি থাদগনি। ইশাগী ভোটিং রাইট মাঙহল্লোই। ঐখোয়বু ঙাকপীগদবা মতিক চাবা কেন্দিদেটতা থাদগনি। মচি মচিদা ভোট খোম্বগী মীংদা হৌজিক গুন্দাইজমগী মওংদা চথুরক্লিবা অসিদি নুংঙাইজদে। চিননা মী অমবু ৰাখল তাহনবনা হেন্না ফগনি অদুগা ভোট থাদবা হায়বসিদি মী অমগী মরন্নাইগী ওইবা ৰাফমনি। মরম অসিনা ভোট থাদফমদা লোইনা খাজিল্লগা থল্লিবনি। মী খুদিংমক থৱায় অনী শুবনি। থৱায়শিং অদুদি অফবা অমসুং ফত্তবা থৱায়নি। মরম অসিনা অফবনা ঙম্না চৎহনবা মথৌ তারি। মমাঙদসু থোরকখিবা কেন্দিদেটশিং অদু ফরে হায়না থাগৎখিবা ঙাক্তনি। অদুবু পার্টিগী চৎন-কাঙলোন্দা লোইনা লুহোংখিবা ঙাক্তনি। উয়ুম্পোক্তদি ইলেক্সনগী মতাংদা কনামত্তা ৰারী শানদে অমসুং খোমসু খোম্নদে। মফম অসি রেদ জোন অমসু ওইরিবনি। ইলেক্সনদি পাঙথোক্কদৌরবনিনা ইশাগী ভোটিং রাইটতি মাঙহল্লোই। মতিক চাবা, মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবা ঙমগদবা অমদি মীয়ামগা খূৎশম্নদুনা চৎপা ঙমগদবা মীওইদা ভোট থাদগনি হায়খি।

**ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ককচীং তুরেল ৰাংমদগী তায়েঞ্জম লৈমনা হায় :** ইলেক্সন অসি লান লোইশিল্লগা তৌবীরল্লবদি হেন্না নুংঙাইগদবনি। অদুবু চহী ৫গী রাইট অসি মাঙহন্নীংদবনা থৱায় নুংঙাইতনা ভোট থাদগদৌরি। ময়ূম মকে মাঙ তাকখিবদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরল্লিবা মীওইশিংগী খনবদা মীকুপ অমা ফাওবা নুংঙাইবা ঙমদে। হান্নগী মতৌগুম্না তংদু লৈতানা লৈবা, নুংশি চান্নবা পূন্সি অদুদা হঞ্জিলহন্নীংই। মণিপুরগী শক্তম কায়হনবদি শুংয়া য়ারোই। কায়রকপগী মওংদা লাক্লবদি থৱায় ফাওবা থাদোক্কনি। মরম অসিনা মণিপুরগী ইস্যুশিং লাউবা ঙমগদবা, পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপা ঙমগদবা মীদা ভোট পীগনি ফোঙদোরকখি।

**ইরোম মৈজ্রাও মনীং লৈকায়দগী শৌগ্রাকপম ওংবী ইবেয়াইমনা হায় :** হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসি মতম চাদে হায়না লৌই অদুবু পাঙথোক্কদৌরবনিনা ইশাগী ভোটিং রাইটতি মাঙহন্নীংদে। মতম অসিদা ভোট তৌশিল্লকপা অসিদি চথুরক্লিবা লান অসি ফাগি তাহনবীরে। অদুগা মীয়াম্বুসু য়াম্না অপঙবা অমগুম উরগা ভোট খোম্বীরক্কনু। লায়রবা মীয়াম্বু ইলেক্সনদা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবীগনু। থম্মোয় শেংনা ইমা লৈবাক নুংশিবীয়ু। ভোটকীদমক নুংশিবীগনু হায়না ফোঙদোরকখি।

## নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৫গী নুমিদাং শগোলবন্দ অপূনবা লূপকী কন্ভিনর ওইবদা নত্তনা ব্রোনি ক্লবকী সেক্রেটরি আর কে জোন্সনগী য়ূমদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী মায়োক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি নুপীশিংনা ৰাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে। অমরোমদা, ব্রাওনি ক্লব অমসুং শগোলবন্দ অপূনবা লূপকী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোলসিনসু থৌওং অদুবু অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। মতুংদা অসিগুম্বা মী কূন্না তাবা য়ূল্লক্তা নোংমৈ কাপশিনবগী থৌওং মখা তানা তৌবীগনু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

**‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ**

‘করপসন’ (শেঞ্জা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূম্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৰরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.018829 |
| US Dollar | 83.573773 |
| British Pound | 104.091066 |
| Australian Dollar | 54.074591 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.548257 |
| Japanese Yen | 0.545083 |
| Malaysian Ringgit | 17.519492 |
| Singapore Dollar | 61.386530 |
| South Korean Won | 0.060558 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.286340 |
| Thai Baht | 2.280705 |

**GAS NEWS**

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - 10/4/24-12/4/2024**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy- Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy- Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEI-BAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500

**ꯄꯥꯡꯒꯤ / পাঞ্জি তম্বা হৌরগনি**

(19th Batch)

পাঞ্জিগী মশক নাইবা কয়া পুথোক্লবা Systematic Study দা পাঞ্জি তম্বা হৌরগনি। থুনা পাঞ্জি হৈবীয়ু।

সিট মশীং - ৭ (Sunday খক তম্বা)

তম্বা হৌবা : তাং ২১/০৪/২০২৪ (থা ৮গী)

**(Acharya Ahambhijit Sairom)**
Secretary, Astrological Coaching Centre
Uripok Yambem Leikai, Imphal (Lane 5)
# 6909260636

HL-P/10512/17

**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / রিপোর্টর খরা লৌগনি**

**পাউচে অসিগীদমক রিপোর্টর খরা লৌগনি। ওইনীংবা মীওইশিংনা মশা-মশাগী পাসপোর্ট ফোটোগা কোন্ননা বাইও-দাটাশিং ওফিস মতম অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিল্লকপা য়াগনি। এপ্লিকান্টশিংগী মহৈগী থাক য়ামদ্রবদা গ্রেজুএট ওইগদবনি।**

HL-C/251/17 – মেনেজর, হুইয়েন লানপাউ

**GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER**

ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012

BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA

Many Students were certified and eligible for applying Job

Online or Offline Class Available

Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job

ENROLL NOW

**Computer Course**
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.

Admission Open

**Spoken English**
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking,Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)

For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com

HL-B/8674/3_Apr. to 31 May_Alt
HL-P/10511/17

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/(NOTICE UNDER ORDER-V RULE 20, C.P.C)**
**IN THE COURT OF THE CIVIL JUDGE, SENIOR DIVISION, IMPHAL WEST, MANIPUR.**

Original (Money) Suit No. 82 of 2020
Bank of Baroda, Imphal Branch. **-Plaintiff**
-Versus-

1. M/S Meishnam Bimola Devi, represented by its Proprietor, Meisnam (Ongbi) Bimola Devi and 1 another. **- Defendant.**

To,

1. **M/S Meishnam Bimola Devi,** represented by the Proprietor, Meisnam (Ongbi) Bimola Devi, w/o M. Norendro Singh a permanent resident of Thangmeiband Sinam Leikai. P.O & P.S. Lamphel, District Imphal West, Manipur-795004.
2. **Meishnam Norendro Singh,** s/o. (Late) M. Madanmohon Singh, a resident Thangmeiband Sinam Leikai, P.O & P.S Lamphel, District Imphal West, Manipur-795004.

WHEREAS, the above-named plaintiff has instituted a suit against you for recovery of money and whereas you are not available in your address and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way and also by registered post. You are hereby summoned to appear before this Court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all such questions on **17-05-2024 at 10.30 A.M.** to answer the claim and written statement if any.

Take notice that in default of your appearance on the day and time aforementioned the suit will be heard and determined and the court shall pronounce Judgment against you and a decree shall be drawn up in your absence.

Given under my hand and seal of the Court this 10th day of April, 2024.

**By :- Somorendro** **Sd/- K. Nirojit**
**Advocate** Civil Judge, Senior Division Imphal West, Manipur




